**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- মণিপুরদা আই.এল.পি সিষ্টেম চৎনহনবা ঙমখিবা অসি রাজ্য অসিগী মীয়ামগী হোৎনজমনগী মহয়নি।

২) শেল থুমগী লমদা অৱাবা মায়োকরবসু সরকারনা শিক্ষাগী লমদা অখন্নবা মীৎয়েং চংলি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখ্রে।

৩) মণিপুরগী জিলা ৯ দা নুমিৎ ২৪ নি রোম ইন্তরনেট দেটা সার্ভিস থিংজিল্লুরবা মতুংদা ঙসিদগী হাংবা হৌরে।

৪) সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়রি- মীওইবা খুন্নাইনা চাওখৎলকপদা টেকোলোজি হায়বসি থাদোকবা য়াদ্রবা মচাক অমনি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- হং কুমজা ২০৪৭ ফাওবদা ভারতপু চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনরিবা অসিদা নহারোলশিংগী থৌদাং য়ামা চাউই।

------

আইএলপি (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- মণিপুরদা আই.এল.পি সিষ্টেম চৎনহনবা ঙমখিবা অসি রাজ্য অসিগী মীয়ামা চহি কয়া

চংনা অমত্তা ওইনা অমদি চপ য়ুংবা ফিরেপকা লোয়ননা হোৎনখিবা অদুগী মহয়নি।

মণিপুরদা আই.এল.পি. চৎনরকপা চহি ৫ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা ঙসি ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকপা থৌরমদা শ্রী বিরেননা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা অখন্নবা মীৎয়েং অমদি রাজ্য অসিগী মীয়ামগী মতম শাংনা লাকখিবা হোৎনজমনগী মহয়না মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিৎ সিষ্টেম চৎনবা ঙমখিবনি। মসিগী মথক্তা ইন্নর লাইন পার্মিৎ সিষ্টেমা কোনশিন্দবা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী লাকপা মীতোপশিং খন্দোকবা বাইওমেট্রিক লৌবগী অয়াবসু লুচিংবশিং অসিনা পীরকপদগী হৌজিক থবক ওইনা পাংথোক্লি। ভারতনা নীংতম্বা ফংলবা মতুং আই.এল.পি সিষ্টেম চৎনবা রাজ্য অসি মণিপুরনা অহানবা ওইরি। মসিনা অপুনবা মীকোক্কী চাদা ৪০ রোম ত্রাইবেল কম্ম্যুনিতিনা খুন্দারিবা রাজ্য অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিং অসিবু কনবদা অচৌবা মতেং ওইরি।

মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- রাজ্য অসিদা ম্যান্মারদগী আইন্না য়াদবা মওংদা চংলকপদগী হৌজিক দিটেন্সন সেন্তরশিংদা লৈরিবা মীওইশিং অসিদা তাথি তাওইনা তৌবা অমদি মখোয়গী হক খোঙগোইনবনচিংবগী থৌওং চত্থবা লৈতে। মখোয়দা সরকারগী মাইকৈদগী চান থকবা পোৎলম, হিদাক লাংথকচিংবা পীরি। আই.এল.পি অসি লৈবাক অসিগী নাগরিকশিংদা চৎনবা সিষ্টেম অমনি মসিদা মীরৈবাক্তগী লাকপা মীওইশিং কোনশিনবা লৈতে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা মণিপুর স্তার্ট অপ স্কিম ২.০গী মখাদা ইন্টর্নেল্লি দিসপ্লেস পর্সন্সশিংদা থবক পীনবগীদমক সি.এম.ঈ.এস.এস স্পিপসিএল পেকেজ টু স্তার্ট অপশিং অমসুং ওন্টরপ্রেনরসশিংগা হকথেংননা উনদুনা ৱারি শান্নখি। মসিগা লোয়ননা জিরিবামদা ইন্নর লাইন পার্মিৎ ফেসিলিতেসন সেন্তর অমসু মুখ্য মন্ত্রিনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা হাংদোকখি। সেন্তর অদুগী মায়খুম হৌনবী মতুংইন্না জিরিবামদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমার অমসুং এস.পি- কে.ঐচ. রোবিনসন্না হাংদোকখি।

দাইট (এল)ঃ কামজোং জিলাগী কসোম খুল্লেনদা নৌনা শাবা দিষ্ট্রিক্ট ইন্সটিট্যুট ওফ ইজ্‌কেসন এন্দ ত্রেনিং (দাইট)কী বিল্ডিং ঙসি সি.এম. সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা শঙ্গাখ্রে।

ষ্টেট কাউন্সিল ওফ ইজ্‌কেসন রিছার্স এন্দ ত্রেনিং (এস.সি.ই.আর.টি)না শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য সরকারনা মতম চুপ্পদা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎতুনা লাক্লি। রাজ্য অসিবু মপুং ফানা চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা মনুং হুঞ্জিনবা মফমশিংবুসু থোং মান্ননা চাওখৎহনবা তঙাইফদে। মহাকা হায়- অরাপ্পা চীংগী মফমশিংদা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদা শোত্থরম্বা অদু মেনখৎপা ঙমবা চীংদা চৎশি হায়বা মিসন হৌদোক্তুনা মীয়ামগী তঙাইফদবশিং মখোয় মখোয়গী থোঙজিনদা ফংহনবগী থবক লৌখৎপা হৌখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ঙসি শঙ্গারিবা দাইটকী বিল্ডিং অসি লুপা কোতি ৫ লাখ ৬১ রোম চংনা শাবনি। রাজ্য অসিনা শেল থুমগী লমদা অৱাবা কয়া মায়োকরবসু সরকারনা শিক্ষাগী লমদা অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা তঙাইফদবা শেমগৎ শাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

রাজ্য সরকারনা পায়খৎলিবা ষ্টার ইজ্‌কেসন প্রোগ্রামগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- থৌশিল অসিগী মখাদা ত্রেনিং তৌরিবা ওজাশিংনা তাকপী তম্বীরকপা মতমদা শিক্ষাগী লমদা চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙম্লগনি। ইম্ফালদগী কসোম খুল্লেন তাবা লম্বীগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- লম্বী অসি চৎপদা হান্না পুং ৭-৮ লোম চংলম্বা অদু লম্বী অসি শেমজিনবদগী হৌজিক্তি পুং ১ মখায়রোম হন্থহনবা ঙমলে।

থৌরম অদুদা শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা হায়- রাজ্য অসিগী জিলা খুদিংমক্তা দাইট সেন্তর অমমম থমনবা সরকারনা হোৎনরি। মসিগী মনুংদা জিলা ৯ দা দাইট সেন্তরশিং নিংথিনা থবক তৌরি। অদুগা দাইট সেন্তর মরি অমনা তোঙান তোঙানবা জিলা মরিদা শাবগী থবক চত্থরি। মুখ্য মন্ত্রিনা ইজ্‌কেসন সেক্তরদা অখন্নবা মীৎয়েং চংবীবগীদমকসু মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

ইন্তরনেট (এল)ঃ মণিপুরগী জিলা ৯ দা নুমিৎ ২৪ নি রোম ইন্তরনেট অমদি মোবাইল দেটা সার্ভিস থিংজিল্লুরবা মতুংদা ঙসিদগী হাংবা হৌরে। রাজ্যগী হোমগী কম্মিসনার এন. অশোক কুমারনা ঙসি থোকপা চেরোল অমদা হায়- হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম হন্না য়েংশিল্লবা মতুংদা ইন্তরনেট দেটা সার্ভিস হাংদোকবা ৱারেপ লৌরকপনি। ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, কাংপোকপী, চুরাচান্দপুর, জিরিবাম অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদা ইন্তরনেট দেটা সার্ভিসতা অথিংবা থল্লম্বা অদু খুদক্তগী লৌথোক্লে।

ইন্দিয়া ব্লোক (এল)ঃ ইন্দিয়া ব্লোকনা শিন্দুনা ঙসি নিউ দিল্লিগী যন্টর মন্টরদা মণিপুর ৱাথোক্কী মতাংদা মীয়ামা খোঙজং চংশিনখ্রে। খোঙজং অদুদা কংগ্রেস লুচিংবা গৌরব গোগোই, সি.পি.আই লুচিংবা দি. রাজানচিংবা মশক নাইবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি। খোঙজং অদুদা মণিপুরদগী সি.এল.পি লিদর ওক্রম ইবোবী য়াওনা অতৈ কংগ্রেস এম.এল.এশিং অমসুং সি.পি.আই য়াওনা লেফট দলশিংগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

দিঙ্গো (এল)ঃ সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়রি- মীওইবা খুন্নাইনা চাওখৎলকপা হায়বসিদা টেকোলোজি হায়বসি থাদোকবা য়াদ্রবা মচাক অমনি।

ইম্ফালগী তাকয়েলপাৎতা লৈবা আই.টি.আইদা মহৈরোইশিংগী ষ্টদি টুর অমা লমথাবগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়- আই.টি.আই কমপ্লেক্স অসিদা মতমগা চুনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎতুনা মগুন লৈবা মহৈরোইশিং পুথোকবা হোৎনগনি । মতমগী মতুংইন্না টেকোলোজিগী লমদা অহোংবা কয়া লাক্লিবা অসিগী য়েংলগা তাকয়েলগী আই.টি.আই অসিদসু অনৌবা টেকোলোজিশিং নিংথিনা ফংহন্নবা থবক পায়খৎকনি হায়নসু মন্ত্রিনা থাজবা ফোংদোকখি।

টিবি (এল)ঃ নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রামগী মখাদা ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা নুমিৎ ১০০ নি চথুগদবা টি.বি. ইলিমিনেসন কেম্পেন ঙসিদগী

পোরোমপাৎতা লৈবা পঞ্চায়ট ভবনদা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ এল. ইন্দিরা য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী ওইনসু নুমিৎ ১০০ নি চত্থগদবা টি.বি. লায়না লৈহন্দনবা ইন্তেন্সিফাইদ কেম্পেন ঙসিদগী চুরাচান্দপুরগী দিষ্ট্রিক্ট টি.বি. সেন্তরদগী হৌদোকখ্রে।

লোক্তাক (এল)ঃ লোক্তাক পাৎতা চহি ৪০ রোম চুপা চাক্তারুদ্রবা মতুংদা হন্দক্তা ঙানু সদাং চাক তাবা উরে হায়রি। লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিতিগী প্রোজেক্ট দিরেক্তরনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- মতম কুইরবগী তুংদা তাংলবা লমকোই উচেক অসিনা অমুক হন্না লোক্তাক পাৎতা চাক তারবা অসিনা তাকপদি পাৎ অসিগী ফিভম তপা তপা ফগৎলক্লি হায়বনি। পাৎ অসিদা ঙা ফারিবা মীওইশিং অমদি মরী লৈনবা খুদিংমকা তাঙনা পাইরক্লিবা উচেক অসি য়াওনা অতৈ লমকোই উচেকশিংবু ফাবা অমদি হাৎপা য়াওনা মখোয়দা নুংঙাইরোদবা থবক অমত্তা তৌদনবা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিতিগী চেয়ারমেন এম. অশিনিকুমারনসু আপীল তৌরি।

কোরকোম (এল)ঃ ইন্তরনেসনেল হ্যুমেন রাইটস ডেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকবা শেম শান্নরে। পালন নুমিৎ অসিগী কুমশি চহিগী হিরমদি- অৱার রাইটস, অৱার ফ্যুচর, রাইট নাউ হায়বসিনি।

ইং কুমজা ১৯৪৮ গী দিসেম্বর ১০ দা য়ুনাইতেদ নেসন্স জেনেরেল এসেমব্লিনা ইন্তরনেসনেল হ্যুমেন রাইটস ডে পাঙথোকবা ৱারেপ লৌদুনা চহি খুদিংগী পালন থৌরম অসি পাঙথোক্কুনা লাক্লি। হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৬ শুবা ইন্তরনেসনেল হ্যুমেন রাইটস ডেনা লাকপদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী অপুনবা লুপ কোরকোমনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

এৱার্দ (এল)ঃ মণিপুরগী ককচিং তুরেল ৱাংমা, দি.এস.এ গ্রাউন্দ মনাক্তগী দেবিদ য়াম্বেমদা কুমশি চহিগী ক্রোস বুক এৱার্দ পীরক্লে। মনা অদু পোপুলর চোইস এৱার্দ ইন চিলদ্রেন বুক সেক্সনদা রসকিন বোন্দগী লাইরিক ওল্ড টাইম ফেভোরাইট নেচরদা মহাকা য়েকপা লাইশিংগীদমক পীরকপনি।

পরিক্ষা (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিনা লৌবা বি.এ, বি.এ.সি, বি-কোম, বি.পি.ই.এস, বি.এফ.টি, বি.এস.দব্লিউ, বি.টি.টিগী ফোর্থ সেমিষ্টরগী পরিক্ষা হয়েং পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু থা অসিগী ১৬ তা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়রি। য়ুনিভর্সিতিগী কন্ত্রোল্লর ওফ একজামিনেসন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়- মখা তাবা অতোপ্পা নুমিৎশিংদি অহোংবা লৈরোই। অমরোমদা, বি.এ, বি.এ.সি, বি-কোম, বি.এফ.টি, বি.এস.দব্লিউ, বি.টি.টিগী ফার্ষ্ট সেমিষ্টরগী (ওল্ড অমসুং বেক)কী হয়েং পাঙথোক্কনি তৌরম্বা পরিক্ষানা থা অসিগী ১১ দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ফিলম (এল)ঃ অসামগী গুৱাহাতিদা লৈবা জ্যোতি চিত্রাবান ফিলম ষ্টুদিওদা থা অসিগী ৫ দগী ৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৯ শুবা ব্রাহ্মপুত্র ভেল্লি ফিলম ফেষ্টিভেলদা ফিচর ফিলম কেটগোরিগী ওইনা মণিপুরী ফিলম- লংদাই অমগী দিরেক্তর বিনোরঞ্জন ওইনামদা বেষ্ট দিরেক্তরগী মনা পীরক্লে হায়রি।

লেনিন (এল)ঃ ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ডাঃ আর.কে. লেনিনদা চেন্নাইদা লৈবা আই.এম.এ কলেজ ওফ জেনেরেল প্রেক্তিসনরসনা ওর্নররি ফেল্লোসিপ পিরক্লে হায়রি। অসামগী গুৱাহাতিদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা জাতি থাক্কী থৌরম অমদা ডাঃ লেনিনদা ফেল্লোসিপ অসি পীরকখিবনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ইং কুমজা ২০৪৭ ফাওবদা ভারতপু চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা মঙলান অদু মঙফাওনবা ঙমহন্নবা

নহাশিংনা রাজনীতি য়াওদুনা জাতিগী চাউখৎ থৌরাংদা শরুক য়াবা মতম ওইরে।

রাম কৃষ্ণ মথনা শিন্দুনা অহমেদবাদতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ভারচুয়েল ওইনা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- রাজনীতি য়াওনা শেনমিৎলোনগী লম খুদিংমক্তা লমজিংহন্নবা নহাশিংবু শেম শাহনগদবনি। মালেমগী ওইনা শেল থুমগী ফিভমদা ভারতনা অহুমসুবা মফম কন্নবা খোঙজেল য়াংনা চংশিল্লি। মসি মায় পাকবা হোৎনবদা নহাশিংগী থৌদাং য়ামা চাউই। লৈবাক অসিগী চাওখৎ খোঙথাংদা রাম কৃষ্ণ মিসনগী অচৌবা মতেং য়াওরি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা জয়পুরদা রাইজিং রাজস্থান গ্লোবেল ইনভেস্মেন্ট সম্মিট হৌদোকখ্রে। নুমিৎ হুমিগী মীফম অদু হৌদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- রিফোর্ম, পার্ফোম অমসুং ট্রান্সফোর্ম হায়বা মন্ত্র শিজিন্নবদগী ভারত্তা হিরম খুদিংমক্তা চাওখৎলকপা উরে। মহাকা হায়- ঙসিদি মালেমগী এক্সপার্ট অমসুং ইনভেস্তর খুদিংমকা ভারত্তা য়ামা থৱাই য়াওনা য়েংনবা হৌরে।

নিরমালা ঃ কেন্দ্রনা হায়রি- ট্রাইবেল দিভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা নবার্দনা ট্রাইবেল লমশিং চাওখৎহন্নবা শেলগী মতেং পীরি। লোক সভাদা ৱাহং অমগী পাউখুমদা শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়- হৌখিবা চহি ১৮ অসিদা প্রোজেক্ট লিশিং ১,০২৯ অয়াবা পীখ্রে। প্রোজেক্টশিং অসিনা ট্রাইবেল ইমুংশিংদা নিংথিনা হিংবা ঙমবগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা পান্দম থল্লি। মহাকা হায়- ইং ২০০৫-০৬ তা হৌদোকখিবা টি.দি.এফ স্কিমনা ইমুং লাখ ৬ হেনবদা কান্নবা ফংহনখ্রে। ট্রাইবেল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী খুত্থাংদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উ পান্বী কোতি ৩ লোম থাখে।

অতোপ্পা ৱাহং অমগী পাউখুমদা শ্রীমতি নিরমালানা হায়- লৌউ শিংউগা মরী লৈনবা লোন মখল কয়া পীদুনা লৌমীশিংদা কান্নবা ফংহল্লি।

মহারাষ্ট্র ঃ  মহারাষ্ট্রদা বি.জে.পি লুচিংবা রাহুল নরবেকরবু য়েৎনবা লৈতনা ঙসি মহারাষ্ট্র বিধান সভাগী অধ্যক্ষ খনখ্রে। মহাক্কী মীং অদু মুখ্য মন্ত্রি দেবেন্দ্র ফদনাবিসনা উপ-মুখ্য মন্ত্রিশিং একনাথ সিন্দে অমসুং অজিৎ পৱারগা পুন্না প্রস্তাব তৌখিবনি। তুংদা, প্রোটেম স্পিকর কালিদাস কোলাম্বকর শ্রী নরবেকরবু অধ্যক্ষ ওইহ্নে হায়না লাউথোকখি। মুখ্য মন্ত্রি দেবেন্দ্র ফদনাবিসনা শ্রী নরবেকরনা অধ্যক্ষ ওইরকপদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা হায়- মহাকা সভাগী চৎনা কাংলোনশিং ঙাকা থবক তৌরক্কনি হায়না থাজে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট ঃ  ৯ শুবা এম.এন.সি.এ প্লেট অমসুং ৪ শুবা এম.এন.সি.এ সুপর প্লেট তুরনামেন্টকী হয়েং শান্নগনি তৌরম্বা মেটচশিং মতম কক্তুনা য়ৈথোক্লে। মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না থোকপা চেরোল অমদা হায়- নৌনা শান্নগদবা মেটচশিংগী মতম কোন্না লেপকনি।

৯ শুবা এম.এন.সি.এ প্লেট তুরনামেন্টকী ঙসি ইম্ফালগী লাইরেঞ্জম পাব্লিক গাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা এস.দি.সি লাইফম খুনৌনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি ললাম্বুং মখোঙবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখে। খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুর পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা সেদো থাংমৈবন্দনা এস.য়ু শগোলবন্দবু রন ১১৭ তা থোইখ্রে।

৪ শুবা এম.এন.সি.এ সুপর প্লেট তুরনামেন্টকী থৌবাল মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা এ.এল-অমিন লিলোংনা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ পার্ট-টু পেচু লম্পাকপু রন ১৮ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউনা য়ু.সি.সি কাংচুপ রোডপু রন ১৩ দা থোইখি।

বাস্কেটবোল ঃ  ২৪ শুবা ষ্টেট সেনিয়র বাস্কেটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ই.এস.য়ুনা টি.দি.বি.এ থৌবালবু, মোদেল ক্লবনা

দি.এস.দব্লিউ.সি নহাবম অমসুং সেন্ট জেভিয়র স্কুলনা সি.দি.বি.এ চান্দেলবু মায়থিবা পীখ্রে।

হেন্দবোল ঃ গুৱাহাতিদা মথং চহিগী জনুৱারি ১০ দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদবা নুপা অমসুং নুপীগী নেসনেল বিচ হেন্দবোল চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়ানবা মণিপুরগী ওইনা ওপন ত্রাইয়েল কম সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি। মসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ১৩ দা
লিলোং চজিং মাইরেন থোংদা লৈবা এম.আর.সি. গ্রাউন্দদা রিপোর্ট তৌনবা মণিপুর হেন্দবোল এসোসিয়েসন্না খঙহল্লক্লি।

রেষ্টলিং ঃ পঞ্জাবকী গুরু কাসি য়ুনিভর্সিতিদা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপা অমসুং নুপীগী ওল ইন্দিয়া ইন্তর য়ুনিভর্সিতি রেষ্টলিং কম্পিতিসন ২০২৪-২৫ দা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংগী মমিং লাউথোক্লে। খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ১৩ গী অয়ুক পুং ১১ দা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা রিপোর্ট তৌনবা খঙহল্লক্লি।

------